ꯍꯨꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
HUEIYEN LANPAO

২১শুবা চহীচাদা ইন্দিয়ানা খ্বাইদগী মীৎয়েং চঙগদবশিংগী মনুংদা ইথানোল য়াওই : পি এম মোদি

ন্যু দেল্লী, জুন ০৫ (এজেন্সী): ইন্দিয়ানা লৌউ শিংউগী লমদা শিজিন্নবা ইথানোল পুথোকপা অমসুং মসিগী শিজিন্নফমশিংদা মীৎয়েং থম্বা হৌরে হায়রদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থাংজ নুমিৎতা লাউথোকখ্রে মদুদি, ২১শুবা চহীচাদা ইন্দিয়ানা মীৎয়েং চাউনা চঙলক্লিবশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা সেক্টর অসি চাওখৎহন্নবা রোদমেপ অমা পুথোক্লে।

ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগী প্রোগ্রাম অমদা ৱা ঙাঙলদুনা কুমজা ২০২৫ ফাওবগী মনুংদা পেট্রোলদা ইথানোল চাদা ২০ য়ানশিন্দুনা শিজিন্নবা য়াবগী তার্গেট য়ৌহন্নবা ‘ঙসি’ অচেৎপা ৱারেপ লৌরে হায়নসু লাউথোকখি।

মোদিনা হায়, ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগা মরী লৈননা ঙসি ইন্দিয়ানা অতোপ্পা অচৌবা খোঙথাং অমা লৌখৎলে। ইথানোল সেক্টর চাওখৎহন্নবা অকুপ্পা রোদমেপ অমা রিলিজ তৌরে। ইথানোল পুথোক্তুনা (শুংদুনা) লৈবাক শিনথুংনা ইথানোল ফংহন্নবগী অচৌবা পান্দম লৈবা ঈ-১০০ পাইলোট প্রোজেক্ট অসি পুনেদা লোঞ্চ তৌরে।

হৌজিক ইথানোল অসি ২১শুবা চহীচাদা ইন্দিয়ানা খ্বাইদগী মীৎয়েং চাউনা চঙবা লমশিংগী মনুংদা অমা ওইরে। ঐখোয়না ইথানোলদা মীৎয়েং থম্বা অসিনা ইনভাইরনমেন্ট অমসুং লৌমীশিংগী পুন্সিদা হেন্না ফবা ইমপেক্ট অমা লৈহনবা ঙম্মি।

কুনমাথোইশুবা চহীচা অসিদা ইন্দিয়ানা শুপ্পগী চহীচা অসিগী ওইবা মতমগা চূনবা পোলিসিশিং অমসুং ৱাখল্লোনদগী ইনর্জি লৌগনি। ৱাখল্লোন অসিনা মাঙওইনরগা ঐখোয়গী গভর্ণমেন্ট অসিনা লম খুদিংমক্তা মখা তানা পোলিসিগী ওইবা ৱারেপশিং লৌরি হায়না মোদিনা ফোঙদোকখি।

ভর্চুয়েল থৌরম অদুদা প্রাইম মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়খি, ইন্দিয়ানা ৱান সন, ৱান ৱর্ল্ড, ৱান গ্রিদকী পান্দম থুংহনগদবা ইন্টরনেসনল সোলর এলাইএন্সপু ওইরো নৎত্রগা দিজাষ্টর রেজিলিএন্ট ইনফ্রাষ্ট্রকচর ইনিসিএটিভকী কোলিসনগী মতাংদা ওইরবসু মালেমগী ওইবা অচৌবা মীৎয়েং অমগা লোয়নননা মাঙজিল থানবা চঙশিল্লি।

ক্লাইমেট চেঞ্জনা মরম ওইদুনা হৌজিক মায়োক্লরিবা শীংনবশিং ইন্দিয়ানা খঙই হায়না পল্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়, হিরম অসিদসু লৈবাক অসিনা লৌখৎফম থোকপা থৌরাংশিং লৌখৎতুনা এক্টিভ ওইনা থবক তৌরি। লৈবাক অসিগী রিন্যুএবল ইনর্জিগী কেপাসিটি চহী তরুক-তরেৎকী মনুংদা চাদা ২৫০গী মথক্তা হেনগৎখি অমসুং লৈবাক অসি হৌজিক ইনষ্টোল রিন্যুএবল ইনর্জি কেপাসিটিদা মালেমগী মকোক থোংবা লৈবাক মঙাগী মনুং চনবা ঙম্মি।

হৌখিবা চহী তরুক্কী মতমদা সোলর ইনর্জিগী কেপাসিটি শরুক ১৫ রোম হেনগৎহনখি হায়না মোদিনা ফোঙদোকখি।

ইনভাইরনমেন্ট প্রোটেক্সনগী মতাংদা ইন্দিয়াগী ফিদম মালেম্না তমজনিংঙাইনি হায়না পল্লদুনা মোদিনা হায়, ইকনমি অমসুং ইকোলোজি অনীমক পুন্না চৎমিন্নবা য়াই। ইন্দিয়াগী ওইনসু লম্বী খল্লে।

দেল্টা কোভিদ ভেরিএন্টতগী ঙাকথোক্নবা অহল ওইরবশিং অহুমশুবা ভেক্সিন দোজ কাপ্পা মথৌ তাবা য়াই : ষ্টদি

ন্যু দেল্লী, জুন ০৫ (এজেন্সী): ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননা ‘দেল্টা’ হায়না মমিং থোনখ্রবা ইনিদয়াদা ইহান হান্না থেংনবা কোভিদ ভেরিএন্ট - বি.১.৬১৭.২না শোকহল্লবা লৈবাকশিংদা অহল ওইরবা মীওইশিং কোরোনাভাইরস ষ্ট্রেন অসিদগী মখা তানা ঙাকথোক্নবগীদমক অহুমশুবা ভেক্সিন দোজ থাবা মথৌ তাবা য়াই হায়না লান্সেট জর্নেলদা ফাইন্দিংস ফোঙলিবা সাইন্টিষ্ট টিম অমনা হায়রি।

য়ু কেগী সাইন্টিষ্ট টিম অদুনা হায়রি মদুদি, বি.১.৬১৭.২না ভেক্সিনগী ইফিকেসি হন্থহনবা অমসুং লায়না শন্দোকপা হেনগৎহনবা হায়বা অনী লোঙবা চেলেঞ্জ অমা ঐখোয়দা মায়োক্লহল্লি।

ফাইজরগী এম আর এন এ ভেক্সিন (বি এন টি ১৬২বি২) গী ইফিকেসিদখক ষ্টদি তৌখিবা টিম অসিনা হায়, ভেক্সিন অসি দেল্টা ভেরিএন্টনা শোকহল্লবা মীওইশিংবু লায়না লুনা নারক্কদবদগী ঙাকথোকপদা মতীক চানা ইফেক্টিভ ওইখি। তৌইগুম্বসুং ভেক্সিন কাপ্লবা মীওইশিংগী ব্লদ সেম্পলশিং টেষ্ট তৌবদা য়াওরম্লিবা এন্টিবোদিগী চাংশিং অদু অতৈ ভেরিএন্টশিংগা চাংদম্নবদা ভেরিএন্ট অসিগী মায়োক্তদি নেম্লমখি।

সিঙ্গল দোজ ভেক্সিননা ভেক্সিন শুংকাপ কাপ্তুবশিংদগী প্রোটেক্সন হেন্না পীরবসু সিঙ্গল-দোজ কাপ্লিবশিং লুনা লৌগদবা সার্স-কোভ-২ ভেরিএন্ট অহুম হায়বদি বি.১.৬১৭.২, বি.১.৩৫১ (সাউথ অফ্রিকাদা হান্না থেংনখিবা) অমসুং বি.১.১.৭ (য়ু কেদা হান্না থেংনখিবা) ভেরিএন্টশিং অসিদগী ঙাকথোকপগী চাং নেম্বা য়াই হায়বসিসু মখোয়গী রিসার্চ অদুনা খঙখি। রিসার্চরশিং অসিনা চহী য়াম্বা অসিগা বি.১.৬১৭.২ অমসুং বি.১.৩৫১গী মায়োক্তা এন্টিবোদি এক্টিভিটি নেম্লকপগা মরী লৈনৈ হায়নসু ৱার্নিং তৌরি। মসিনা মরম ওইদুনা ষ্ট্রেনশিং অসি থেংনরিবা লৈবাকশিংগী অহল ওইরবা মীওইশিং মখা তানা বুষ্টর দোজ কাপ্পা মথৌ তাবা য়াই হায়না রিসার্চরশিং অসিনা সজেসন পীরি।

মখোয়গী মতুং ইন্না খ্বাইদগী ফবদি বুষ্টর দোজশিং অদু হৌজিক থোক্লিবা থুনা লৌনগনবা ভেরিএন্টশিংদগী হেন্না ঙাকথোকপা ঙম্বা মোদিফাইদ ভেক্সিনশিংদা খন্নবা অসিনি। অদুম ওইনমক ষ্টদি অদুনা অতৈ ভেক্সিনশিংগী ইফিকেসিগী মতাংদদি য়েংনশিনখিদে।

বর্দ গ্রুপকী এগজিক্যুটিভ দিরেক্টর অঙ্কুর ভাটিয়া লৈখিদ্রে

ন্যু দেল্লী, জুন ০৫ (এজেন্সী): বর্দ গ্রুপকী এগজিক্যুটিভ দিরেক্টর অঙ্কুর ভাটিয়া হৌখিবা ইরাই নুমিৎকী অয়ুক্তা হার্ট ফেল ওইবদগী লৈখিদ্রে। মহাক চহী ৪৮ শুখ্রে।

ভাটিয়ানা ট্রাভেল টেক্নোলোজিদা জাইন্ট অমাদুস ব্রান্দ অসিবু কুমজা ১৯৯৪দা ইন্দিয়াদা পুশিল্লকখি। ব্রান্দ অসিনা ঙসি ট্রাভেল এজেন্ট অমসুং এয়রলাইনশিংদা ট্রাভেল টেক্নোলোজি ফংহল্লি।

য়ুনিভর্সিটি ওফ লন্দনগী মখাদা লৈবা কিংস কোলেজগী অলমনস অমা ওইরিবা ভাটিয়া আই টিদা য়ুম্ফম ওইবা সোফৱ্যের দিভলপমেন্ট অমসুং সর্ভিস সপোর্ট কম্পনি অমা ওইরিবা রিজার্বেসন দেটা মেন্টেনেন্স (ইন্দিয়া) হৌদোক্তুনা এয়রলাইন ওপরেসন অমসুং ইনভেন্টরি ওপরেসনদা হেন্না খুদোংচাহনখি।

বর্দ ইনফোর্মেসন সিষ্টেম (বি আই এস)কা লোয়নননা বর্দ গ্রুপনা আই টি সর্ভিসেস অমসুং আর এন্দ দিদা মশক থোক্লা খোঙদাখি। বি আই এসনা তোঙান তোঙানবা এয়রলাইনশিংদা টেক্নোলোজি অমসুং সোলুসনশিং পীরি।

ত্রাভেল অমসুং হোস্পিটালিটি পামজদবা ভাটিয়ানা লগজরি হোস্পিটালিটি চেইন রোসিএট হোটেল্স এন্দ রিজোর্টস লিংখৎখি। চেইন অসিগী এজেন্টশিং ইন্দিয়া অমসুং য়ু কেদা লৈ।

ভাটিয়াগী লোয়নবী অর্কিটেক্ট স্মিটি ভাটিয়া অমসুং অঙাং অনী অর্নাভ অমসুংসাইনা হিংহৌরি।

গভর্ণমেন্টতা ত্বিটরদা অরোইবা নোটিস থাখ্রে

ন্যু দেল্লী, জুন ০৫ (এজেন্সী): লৈবাক অসিগী অনৌবা আই টি রুলশিং ইন্দবগী মতাংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ আই টিনা ত্বিটরদা অরোইবা ওইবা নোটিস থাখ্রে অমসুং করিগুম্বা য়ু এসতা হেদক্বার্টর ওইবা সোসল মীদিয়া প্লেটফোর্ম অসিনা অনৌবা নোর্মশিং ইন্দবা তারবদি পেনাল এক্সন লৌখৎলগনি হায়না ৱার্নিং তৌখ্রে।

মিনিষ্ট্রি অসিনা থাখিবা নোটিস অদুদা ত্বিটর ইঙ্কনা কুমজা ২০২১দগী চৎনবা হৌখিবা রুলশিং অদু ইন্দ্রবদি মদুগী অফ-ফৎতশিং প্লেটফোর্ম অসিনা মায়োক্লগদবনি হায়না খঙহনখি।

অদুমওইনমক মরুপ-মপাং ওইবা অমসুং কোওপরেসন পীনিংবগী ৱাখল্লোনদা ত্বিটর ইঙ্কতা অরোইবা নোটিস অসি পীদুনা খুদক্তা রুলশিং অদু ঙাক্নবা অমসুং করিগুম্বা রুলশিং অদুবু ঙাক্তবা তারগনা আইটি এক্ট, ২০০০গী সেক্সন ৭৯গী মখাদা পীদুনা লাকপা লাইএবিলিটিদগী কোমথোকপগী খুদোংচাবা অসি মখা তানা পীররোই অমসুং ত্বিটরনা আইটি এক্ট অমসুং ইন্দিয়াগী অতৈ পেনাল লোশিংগী মতুং ইন্না রুল ইন্দবগী ফংফম থোকপা পেনাল্টি ফংগনি।

মিনিষ্ট্রি অসিনা হায়, কম্পনিসিনা হৌজিক ফাওবদা মথৌ তারিবা চীফ কমপ্লাইয়ন্স ওফিসকী অকুপ্পশিং খঙহল্লক্তে হায়বসি ময়েক শেংলে। অনৌবা রুলশিংগী মখাদা মথৌ তারবসু প্লেটফোর্ম অসিনা নোমিনেট তৌবা নোদেল কন্টেক্ট পার্সন অমসুং রেজিদেন্ট গ্রিভান্স ওফিসর ইনিদয়াদা লৈবা কম্পনি অসিগী ইমপ্লোয়িশিং ওইদে।

ত্বিটর ইঙ্ককী ওফিস এদ্রেসসু ইন্দিয়াদা লৈবা লো ফার্ম অমনি। মসিসু অনৌবা রুলশিং অসিনা য়াদে।

ত্বিটরনা রুলশিং অসিবু ইল্লুয়াদ্রিবা অসিনা ইন্দিয়াগী মীয়ামবু প্লেটফোর্ম অসি শীজিন্নবদা খুদোংথীবা অমত্তা লৈহল্লোই হায়বগী কম্মিটমেন্ট ৱাৎলি হায়বসি উৎচরে হায়না নোটিস অদুনা মখা তাখি।

দেল্লীদা মখা তানা লোকদাউন লৈখিগনি, মার্কেট অমসুং মেত্রো হাংলগনি

ন্যু দেল্লী, জুন ০৫ (এজেন্সী): নেসনল কেপিটেল দেল্লীদা অকক্নবা অথিংবা খরা কোমথোক্লগা মখা তানা লোকদাউন চৎনখিগনি। দুকানশিং অমসুং মোলশিং নিংথৌকাবা নুমিৎতগী হৌরগা ওদ-ইভন বেসিসতা অয়ুক পুং ১০দগী নুমিদাং পুং ৮ ফাওবা হাংবা য়াহনগনি হায়না দেল্লীগী চীফ মিনিষ্টর অরবিন্দ কেজ্রিৱালনা থাংজ নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না ৱাফম অসি দিজিটেল প্রেস কনফরেন্স অমদা ফোঙদোকখিবনি। চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা প্রাইভেট ওফিসশিং ষ্টাফ চাদা ৫০গা লোয়নননা মথৌ তৌবা য়াহল্লগনি। অমরোমদা গভর্ণমেন্টনা চলাইবা ওফিসশিংগী ওইনদি গ্রুপ এ ষ্টাফ চাদা ১০০ কেপাসিটিদা মথৌ তৌহনগনি অমসুং গ্রুপ বিনা ষ্টাফ চাদা ৫০না মথৌ তৌবা য়াহনগনি।

থবক্তা মরী লৈননা চৎথোক-চৎশিন তৌরিবশিংদা খুদোং চাহনগদবা খোঙথাং অমদা কেজ্রিৱালনা অনীশুবা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক ৱেভ মনুংদা মপুং ফানা থীংজিনখিবা দেল্লী মেত্রো নিংথৌকাবা নুমিৎতগী চাদা ৫০গী কেপাসিটিগা লোয়নননা অমুক হন্না সর্ভিস তৌরগনি হায়নসু লাউথোকখি।

কোরোনাভাইরসকী অহুমশুবা ৱেভকী মতাংদা কেজ্রিৱালনা হায়খি, নোংমদা কেস ৩৭,০০০ লোম থেংনবগী তার্গেটতা অহুমশুবা ৱেভকী শেম শাবগী রিভিয়ু মীতিং কয়া পাঙথোক্লে। অনীশুবা ৱেভতা দেল্লীদা নোংমদা থেংনবা খ্বাইদগী য়াম্বা কেস মশিং ওইনা এপ্রিল ২০দা কোভিদ কেস ২৮,৩৯৬ থেংনখি। অদুনা ঐখোয়না নোংমদা য়ামদ্রবদা কেস ৩৭,০০০ থেংনবগী তার্গেট খন্নরি। ঐখোয়না নোংমদা পেসেন্ট ৩৭,০০০কীদমক শেম-শাবা ওইরবদি মখা তানা কেস হেনগৎলক্লবসু ঐখোয়গী কেপাসিটি হেনগৎহনবা ঙমগনি।

অহুমশুবা ৱেভ লাকপা মতমদা অঙাং কয়া শোকহনবা য়াই হায়বা থাজবদা য়ুম্ফম ওইরগা মাঙজৌননা মদুগীদমক শেম শানবগীদমক দেল্লী গভর্ণমেন্টনা সিনিয়র ওফিসলশিং অমসুং দোক্টরশিংগী স্পেসল টাস্ক ফোর্স অমা শেম্লে। টাস্ক ফোর্স অসিদা দেল্লীগী মথৌ তাবা হেল্থ সিষ্টেম লাঙবগী থবক শিন্নখ্রে। ঐখোয়না তোঙানবা আই সী য়ু বেদশিং, ওক্সিজেন সেটঅপ, হিদাক-লাংথক, অমসুং অতৈ ফেসিলিটিশিং মথৌ তারক্নি। টাস্ক ফোর্সশিং (কম্মিটিশিং)না ইরাই নুমিৎতা দিতেল্ড দিস্কসন পাঙথোক্তুনা মখোয়দা মথংগী চয়োল অনীগী মনুংদা মখোয়গী রিক্কমেন্দেসনশিং পীরক্নবা খঙহনখ্রে। অহুমশুবা কোভিদ ৱেভতা টন ৪২০গী ওক্সিজেন ষ্টোরেজ কেপাসিটি লাঙলি হায়না কেজ্রিৱালনা মখা তাখি।

মাদুরাইদা এইমস শানবগী দেদিকেটেদ টিম শেম্নবা সেন্টরদা তকশিনখ্রে

চেন্নাই, জুন ০৫ (এজেন্সী): টামিল নাদুগী মাদুরাইদা ওল ইন্দিয়া ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এইমস) শানবগী শেল-থুম অমসুং এদমিনিষ্ট্রেটিভ পাৱরশিং পায়বা ওফিসলশিংগী ওইবা দেদিকেটেদ টিম অমা শেম্বীনবা টামিল নাদুগী চীফ মিনিষ্টর এম কে ষ্টেলিননা থাংজ নুমিৎতা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা হায়জখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর মোদিদা ইবা লেট্টর অমদা ষ্টেলিননা হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টরনা কুমজা ২০১৯গী জন্যুৱারী ২৭তা এইমস শানবা উরেপ-উয়ুং তমখি। অদুবু হৌজিক ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা প্রোজেক্ট অদুগীদমক্তা পীবা লমগী অকোয়বদা কম্পাউন্দ ৱাল অমা চনবা নত্তনা অতৈ দিভলপমেন্ট লৈতে।

টামিল নাদুগী খা থংবা দিষ্ট্রিক্টশিং অমসুং য়ুমথংনরিবা ষ্টেটশিংগী মীয়ামদা ক্বালিটি টর্সরি ক্যের ফংহনবদা ইনষ্টিট্যুসন অসি থুনা লৈহনবা মথৌ তাই।

ইনষ্টিট্যুসন অদুগী প্রসিদেন্ট, এগজিক্যুটিভ দিরেক্টর অমসুং কম্মিটিশিং শেম্বগী মতাংদা পল্লদুনা ষ্টেলিননা হায়, অসিগুম্বা সাইজগী প্রোজেক্ট এগজিক্যুট তৌনবা কম্মিটিশিং অসিগী ওথোরিটি ময়েক শেংনা লৈতে।

অসুম্না থীন্থবসিনা মরম ওইদুনা ইনষ্টিট্যুসন অসি মতম খরগী ওইনা অতোপ্পা মফমদা হৌনবগী ওপসন খন্নবগী পাউসু ফোঙনরি। মসিনা প্রোজেক্ট অসি হেন্না থীন্থহনবা য়াই। মরম অদুনা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়রনা শেল-থুম অমসুং এদমিনিষ্ট্রিটেসনগী পাৱর মতীক চানা পায়বা ওফিসরশিংগী টিম অমা খুদক্তা শেমদুনা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাং লৌখৎপীয়ু হায়না ষ্টেলিননা তকশিনখি।

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR,
LILONG, THOUBAL DISTRICT, MANIPUR

Ref :- Mut. Case No. 31/SDC/Lil

Md. Maheiruddin S/o (L) Md. Nejamuddin of Thoubal Moijing Kiyam Litanpok (Applicant) -Petitioner

-Vs-

Md. Mufijudding S/o. Md. Maheiruddin of Thoubal Moijing Kiyam Litanpok (Pattadar) -Opposite Party

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / NOTICE

05-06-2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহঞ্জরি। মদুদি খুন নম্বর-১০-মোইজিং, পাট্টা নম্বর ৮৪৪ (অরিবা), ৮৫২ (অনৌবা), দাগ নং: ২৩৮৮/২৩৯৩ লৈরিবা এরিয়া .৪৫০০ হেক্টর চাওবা লম তাওথবী লৌফম অসিগী মপূ পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃতগী অপোকপা মপাগী মিংদা হায়রিবা লম অসিবু নামা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ তরেৎ (৭)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়নননা ওবজেক্সন তৌবীরবা য়াগনি। মতুং তারকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কেস মখা চথরগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Lilong, Thoubal District, Manipur

HL-P/9906/6

ꯑꯔꯥꯕ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯆꯕ/ অৱাবা ফোঙদোকচবা

থৌবাল নিংথৌ লাই, Sabantongba গী হান্না মতম শাংনা লাই শেলুংবগী থৌ পুবিরম্বা মশাগী চহী ৮৭ শুরবা শ্রী সনসম তোল্লাপিশক সিংহ, থৌবাল সাবন্তোংবা ময়াই লৈকায়দা লৈবনা মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইদুনা হৌখিবা তাং ০৪/০৬/২০২১ ইং, ইরাই নুমীৎতা ঈশ্বরগী খূয়াদা চঙজখ্রে। তাং ০৫/০৬/২০২১ ইং, থাংজ নুমীৎকী অয়ুক পুং ৭.৩০ তাবা মতমদা থৌবাল নিংথৌ লাই Development Committee, Sabantongba না লাইগী লাইবুংদা কম্মিটি মেম্বরশিংনা COVID-19 গী SOP ঙাক্লা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে অমদি লৈখিদ্রবগী থৱায়না ঈংনা-চিক্লা লাইরমলেনদা লৈরুনবগীদমক্তা ঈশ্বরগী খূয়াদা থৌনিজবগা লোয়নননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু কম্মিটি অসিনা শরুক য়াজরি।

Sd/- **Secretary**,
Thoubal Ningthou Lai Development Committee,
Sabantongba

HL-P/9807/6&7

ꯁꯣꯔꯥꯡꯀꯤ ꯄꯥꯎꯖꯦꯜ/শোরাংকী পাউজেল

লমশাং A/C দা term অহুম্লক MLA ওইরম্বগা লোয়নননা MI অমসুং CADAগী Minister ওইবিরমদুনা অমদি Rural Development Organisation (RDO) লিংখৎপীরমদুনা মতম কুইনা মীয়ামগী অমদি সমাজ অসিগী চাওখৎ থৌরাংগী থবক থৌরম কয়া তৌবীরম্লবা শ্রীৱাংখৈময়ুম ব্রজবিধু সিংহনা ইখঙ-খঙহৌদনা হৌখিবা তাং ৩০/০৫/২০২১ ইং, কালেনগী ২০নি পানবা নোংমাইজিং নুমীৎতা শ্রীগুরুগী কৃপাদগী বেষ ওল্লগা শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্যা “বনচন্দ্রা দাস” হায়বা নাম ফংজদুনা তাইবংপান থাদোকখ্রে।

লাক্লিবা তাং ০৪/০৬/২০২১ ইং, কালেনগী ২৫নি পানবা ইরাই নুমীৎতা অষ্ঠি সঞ্জয় লৌখৎচরগা লাক্লিবা তাং ১২/০৬/২০২১ ইং, ইঙাগী নিনি পানবা থাংজ নুমীৎতা লৈখিদ্রবগী চিড়া উসব দিন থোক্লে। নুমীৎ অসিদা লৈবাক্কী ওইবা লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা ঈশ্বরগী তৌদবা য়াদবা থৌরম খক্তমক ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগা লোয়নননা পাঙথোকচরগনি। মসিগীদমক মতম কুইনা লৈখিদ্রবগী মরুপ-মপাং ওইনা লোয়নবিরম্বা অমদি লোয়নবিরম্বীশিং খ্বাই পূন্নমক্লা ৱারৌবিদনবা নোল্লুকচরি।

নোল্লুকচরিবশিং :-
শ্রীমতি ৱাংখৈময়ুম ওংবী শুমতি দেবী (সহধর্ম্মীনি)
শ্রী ৱাংখৈময়ুম রিচার্দ সিংহ (মচানুপা)
লমদেং ময়াই লৈকাই।

HL-P/9905/6,7,8,9

ꯅꯨꯡꯁꯡ/নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি



Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙ নান্থবা, পোন্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হান্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোন্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোন্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোন্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792

HL-B/6972/17/5-15/6

কোভিদ-১৯না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিং

Location	Cases	Recovered	Deaths
Maharashtra	58,10,000 +14,152	55,10,000 +20,852	98,771 +1,377
Karnataka	26,70,000 +16,068	23,60,000 +22,316	30,895 +364
Kerala	26,00,000 +16,229	24,20,000 +25,860	9,510 +135
Tamil Nadu	22,00,000 +22,651	19,00,000 +33,646	26,128 +463
Andhra Pradesh	17,40,000 +10,413	15,90,000 +15,469	11,296 +83
Uttar Pradesh	17,00,000 +1,113	16,50,000 +3,646	21,031 +136
Delhi	14,30,000 +523	14,00,000 +1,161	24,497 +50
West Bengal	14,10,000 +7,913	13,40,000 +16,557	16,034 +113
Chhattisgarh	9,78,000 +1,460	9,38,000 +3,838	13,162 +23
Rajasthan	9,44,000 +1,006	9,12,000 +4,370	8,599 +40
Gujarat	8,14,000 +1,120	7,82,000 +3,398	9,906 +16
Odisha	7,99,000 +7,729	7,24,000 +11,347	2,912 +39
Madhya Pradesh	7,84,000 +798	7,63,000 +2,045	8,257 +50
Haryana	7,61,000 +895	7,41,000 +2,456	8,605 +73
Bihar	7,11,000 +991	6,96,000 +2,090	5,319 +23
Telangana	5,88,000 +2,175	5,53,000 +3,821	3,346 +15
Punjab	5,76,000 +2,005	5,35,000 +4,314	14,927 +87
Assam	4,29,000 +4,548	3,73,000 +4,263	3,577 +54
Jharkhand	3,40,000 +478	3,29,000 +1,170	5,034 +13
Uttarakhand	3,33,000 +892	3,07,000 +4,081	6,631 +58
Jammu and Kashmir	2,98,000 +1,723	2,64,000 +2,731	4,026 +34
Himachal Pradesh	1,94,000 +787	1,81,000 +2,030	3,260 +27
Goa	1,58,000 +576	1,47,000 +1,160	2,727 +17
Puducherry	1,08,000 +712	96,731 +1,215	1,601 +18
Chandigarh	60,487 +88	58,717 +215	765 +3
Chandigarh	60,487 +88	58,717 +215	765 +3
Tripura	54,580 +708	47,663 +670	550 +11
Manipur	**53,690 +791**	**43,779 +592**	**863 +14**
Meghalaya	37,733 +584	30,980 +808	643 +18
Arunachal Pradesh	28,786 +404	24,835 +415	122 +3
Nagaland	22,387 +147	17,276 +151	416 +12
Ladakh	19,076 +122	17,528 +272	194 +1
Sikkim	16,518 +353	12,002 +284	266 +3
Mizoram	13,300 +236	9,816 +214	51 +4
Lakshadweep	8,568 +89	7,324 +235	36 +1
Andaman and Nicobar Islands	7,088 +18	6,852 +32	121 +2

ꯔꯦꯖꯣꯅꯦꯟꯁ
Resonance®
Educating for better tomorrow
Live-Video Learning Programmes
LIVE CHAT
• Live Classes
• Assignments
• Periodic Tests
• Doubt Solving Sessions
• Live Recorded Lectures
LIVE
Courses:
• 2-Years Integrated Course for Class XI
• 1-Year Course for NEET/JEE
• 45-days Special Crash Course for NEET 2021 from June 15th, 2021
Satarting first week of June 2021
Hurry Up!
We have limited seats
9402979552 / 8794961535
NachomEdu Foundation
3rd Floor, SI and Sons Building, Kwakeithel Thokchom Leikai, Imphal West-1
HL/P/9004/3-12